ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯄꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯸, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ০৮, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৩৫ শুবা মশীং

# তোখায়বা ত্রাফিক পুলিস

### *পুলিস ষ্টেসন অমগী মতীক ময়াই লৈহনবা চুমগনি*

**মীওইবগী** পূন্সি হায়বসিদগী হেনবা অতোপ্পা চাংদম্নবা য়াবা অমফাওবা লৈতে। অদুবু মালেমগী ওইনা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা য়াম্না তোয়না মীশি-মীনা থোকপগী পাউ তাবা ফংই। অসিগুম্বা পাউশিং অসি তারগা মখোয়-মখোয়গী লৈঙাকশিং অদুনা গাড়ী এক্সিদেন্টকী থৌদোক থোরকপা থিংননবা তোঙান-তোঙানবা থবকশিং লৌখৎলি। মীপূম অয়াম্বা ত্রাফিক্কী কাঙলোন ঙাক্না চৎলগদি থোক্কদবা খুদোংথীবা কয়াদগী কনবা ঙম্মী হায়বসি খঙনা-খঙনা কয়া থওইনদে। শোল্লবা কান্দা নৎত্রগা অৱাবা তারবা মতমদতা ঐনা তৌখিবা অশোয়বশিং অদু নিংশিংলকই। মদু হন্দোকপা য়াদবা মরম্না মদুগী চৈথেং মশা-মশানা ফংলি। মালেমগী ওইনা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক্তা মী শিবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি। ইন্দিয়াদদি পোৎ পুবা ত্রক নৎত্রগা পেসেঞ্জর পুবা বসকা চেল্লিবা রেলগাড়ীগা থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা মী শিবগী থৌদোক ফাওবা থোকই। থৌদোকশিং অসি থিংননবগীদমক সেন্ট্রেল মোটোর ভেহিকল রুল অমসুং ত্রাফিক্কী কাঙলোন কয়ামরুম শেমদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনহল্লি। মরু ওইনা ইন্দিয়াগী কেপিটেল ওইরিবা দিল্লিদগী ত্রাফিক পুলিসকী মতীক ময়াই অসি য়াম্না কল্লি। মখোয়না ত্রাফিক্কী রুল ইন্দবা মীওইশিংবু চৈরাক পীবদা কনাসু য়েৎপা ঙমদে। মনিং তম্না থবক তৌহনবনা লৈবাক অসিগী অঙম-অথৌশিং নৎত্রগা পুলিস ওফিসরশিংনসু কয়া খুৎ থিংজিন্দে। মরম অদুনা লম্বী লমখাংদা অচৌবা ওফিসর ফাওবা পীকখ্রবা পুলিস ওফিসর অমনা টি আর কক্তুনা চৈরাক পী। হায়রিবা ষ্টেট অসিদদি লাইসেন্স পীবগী কাঙলোন অসিসু য়াম্না কুপই। লাইসেন্স অমা লৌননবা হোৎনবদা অৱাবা ওই। করিগুম্বা লাইসেন্স অদু পুলিসনা হেক ফাজিনখিবদা অতোপ্পা অমা তাম্থোক্লবগী পাম্বৈসু লৈতে। মরম অদুনা ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না মখোয়গী লাইসেন্সশিং অদু য়াম্না লুনা লৌই। পুলিসনা মার্ক অমা তৌখিবদা মখোয়দা থোক্লগদবা খুদোংচাদবশিং অদু য়েংলগা মতম চূপ্পদা ত্রাফিক্কী রুল ঙাক্না চৎনবা হোৎনৈ। সীট বেল্ট ফাদনা গাড়ী থৌনদে। জেব্রা ক্রোসিং শোল্লগা গাড়ী খাম্নদে। ইমরজেন্সিগী থন্বা লম্বীরোমদা গাড়ী থৌজিল্লগা অহান-অকোন তান্নবগী থৌওং লৈতে। মসি পুম্নমক অসি অকনবা চৈরাক পীবা অমসুং পুলিসকী থবক্তা কনানসু খুৎ থিংজিনবীদবদগী ওইরকপনি।

ইথা থাজদবা মওংদা মণিপুরদসু হৌজিক-হৌজিক অচৌবা ত্রাফিক্কী ভোল্যুম হেনগৎলক্তুনা লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে। মশীং থীঙমদনা হেনগৎলকপা মখল-মখা কয়াগী গাড়ীশিংনা লম্বীদা থোরকপা অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম নীংথিনা লৈতবনা মরম ওইরদুনা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিং ত্রাফিক জাম থোকপা হেনগৎলক্লে। অৱাবা ফীভম অসি য়েংলগা হৌখিবা লৈঙাক্কী মতমদা ত্রাফিক পুলিসকী এস পি অমা থম্ননবা ষ্টেট কেবিনেটতা ৱারেপ লৌখি। অদুবু থবক্তি ওন্থোকপা ঙম্লমদে। মীয়ামগী য়েংলগা অনৌবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক্তি ত্রাফিক পুলিসকী এস পি অমা থমখ্রে। মহাক্তসু নৎতনা এদিসনেল এস পি অনী অমসুং পুলিস ওফিসর কয়ামরুম থাজিন্দুনা হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা লম্বীগী খুদোংচাদবশিং লাকশিন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ত্রাফিক পুলিসকী মেন পাৱরশিং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এস পিশিংনা শরুক খরদি খায়বগী পাউ তারে। অদুবু হৌজিক ত্রাফিক পুলিসতা পীরিবা পুলিসকী ষ্ট্রেংথ অসিনদি চপ চানা ত্রাফিক কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মরম অদুনা অহেনবা পার্সনেল থাজিন্দ্রগদি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিশিংদা মখা তানা ত্রাফিক কন্ট্রোল তৌননবা নিহনখিবা তারি। ত্রাফিক পুলিসনা হৌজিক তৌরিবা মথৌশিং নৈনবা তারগদি লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিংদা অপনবা থোকহন্দনবা হোৎনবা, ত্রাফিক্কী রুল কায়না গাড়ী থৌবশিং টিআর কক্পা, মোটোর ভেহিকলগী কাঙলোন কায়না গাড়ী থৌবশিংদগী ফাইন লৌবনচিংবা পনবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ত্রাফিক পুলিস পার্সনেলশিংনা হৌজিক মথৌ তৌবদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবসি লোগী ৱাংমদা লম্বী-লমজাওদা চৎলিবা মীয়ামদা অপনবা পীরিবশিং অমসুং খুদোংথীবা থোকহনবা য়াবা কাঙবুশিং ফাননবগী মতিক-ময়াই অমত্তা শীন্নদবা অসিনি। মখোয়না মী অমা ফাবদি য়াই, অদুগা মখোয়না কেস লৌবা ঙমদবনিনা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নবা তাবনি। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি ত্রাফিক্কী রুল থুগায়বা অমসুং মোটোর ভেহিকলগী রুলশিং ঙাক্না চৎতবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপা ঙমহনফম থোকপনি। মসিগী মতিক ময়াই মখোয়দা লৈতবা মরম্না ৱা ঙাঙনরকপদা কনাগুম্বনা লুপা কয়ানো ফাইন থীরল্লগে হায়না ফোঙদোরকপদা ত্রাফিক পুলিসকী পার্সনেলশিংনা করিমত্তা তৌবা ঙমদবগী ফীভম লৈরিবসি খরসু লৈঙাক্লা খনবীবা চুম্মী। অহানবা ওইনা ফাইন থীননবগী টি আর কক্খ্রবা মীওই অদু অনীশুবা ওইনা ত্রাফিক্কী রুল থুগায়বা মীওইনি হায়বসি কমদৌনা খঙগদগে হায়বা চেন্নেল অমা শেমদবা অসিসু লাইবক থীবনি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### বি জে পিগী লৈঙাক্তা ৱাফম খরা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইকায়খুম্নজরিবা সার,** পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা চীংগী অমদি মীয়ামগী নুমিৎ হায়দুনা থা খুদিংগী তাং ১০ অমসুং ১৫ অনী অসি তোঙান তোঙান্না খায়দোক্তুনা থল্লি। মসিমক্তি য়াম্না ফবা থৌরাং অমনি হায়না লৌজে। মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা ৱাকৎচরুবগী খুদোংচাবা অদুমদি ফংজদ্রে। পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা থমজনীংবা ৱাফম খরদি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী টার্ম লোইরমদাইদা নংহৌররোই হায়বগী মতাগুম লৌখিবা থবকশিং অদু পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা তোঙান তোঙানবা কম্মিটি শেমদুনা অচুম চুমদা থিজিনখিবগী রিপোর্ট ঙসি ফাওবা মীয়ামদা অমদি মেদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোকপীরকপা থেংনজদে। হৌজিক হৌজিকসু পুলিসকী থবক য়াম্না থুনা হায়দোল্লগনি হায়বগী ৱাফম অমা ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা চীফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিগী থোঙদা হায়খিবগী পাউ পাউচেদা থেংনজে। মসিদদি ফজনা স্ক্রিনিং তৌরগা মতিক চাবা ক্বালিফাইদ ওইবা কেন্দিদেটশিংদমক খলহন্নীংই। পুলিস হায়বসিদি মীচম মীয়ামগীদমক য়াইফনবা ঙাক শেনগদৌরিবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জশিংদা রেজিষ্টর তৌরবা থবক তৌবগী চহী হেনগদৌরবা মীওই কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। হায়রিবা মীওইশিং অসিগীসু পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা তোঙানবা থবক অমা লৌখৎপীরগদি লৈঙাক অসিবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎনগনি। অদুমকপু মীপূম খুদিংমক লৈঙাক্লা থবক পীবা ঙম্বগী শক্তিবুদি লৈবা নত্তে। ঐ ইশামকসু কোংগ্রেস লৈঙাক মতমগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্লমদাইদা দিপার্টমেন্ট খরগী এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী খূত্থাংদা থবক অমগী য়াওজখি। অদুবু ঙসি ফাওবা রিটর্ন টেষ্টনচিংবা অমত্তা তৌরকখিদ্রে। চহীদি লোইশিল্লক্কদৌরে অদুনা মীপাইদবদি ঙমজদে। মতম হায়বসিদি ঙাইয়ু হায়বসু য়াবা নত্তবনিনা পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনসু খরা খন্থবীনবা ৱাফম অসিমসু লৈঙাক অসিদা থমজরি।

*অদোমগী - নাওরেম কৃষ্ণদাস সিংহ, ককচীং নিংথৌ লৈকায়, ক্লব পরেং*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) তুবী (খ) তেকপী

২। ''কদাইদনো মরাইবক থীরবী মণিপুর/মেলৈ লৈম্না নুংজুমপান কদাম্বদি লৈনুংশি/কদায়দনো নহাক্কী ঈশৈগী মন্দির।'' পরেংশিং অসি কবি কনানা হায়রম্বনো?

৩। ''ঈজৎ মাঙলবনি ফুলন দেবী/ঈজৎ মাঙলবনি বিশ্বাস/ঈজৎ মাঙলবনি ভারতকী নুপী/ঈজৎ মাঙখ্রবনি নুপী পূম্নমক।'' পরেংশিং অসিনা অইবী কনানা হায়বনো?

৪। কর্টার সিং দুগ্গলগী ৱারীমচাশিংবু 'থাবলগী চৈনা' হায়না মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫। 'শক্লোনশিংগী শক্তম' কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অদুগী অইবা/অইবী অদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরদা চৎনরিবা আইন, খঞ্জিল্লুবদা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৪৯**

**জিতেন নামৈরাকপম**

**নহান** নুমিদাংৱাইরম অদু ঐগা মুন্না খঙনবা বিহারি মুচি অমনা ইথা থাজদনা পোক সেন্তর অমদা ওকসা অশেম্বা লৈদুনা লৈরম্বদুদা হংলুই 'প্রবিন নঙবু ওকশা চাব্রনে?' - 'চায়, তামো' মহাক্লা নোক্লগা খুল্লকপনি। 'ষণদি চাব্রা, ষণশা?' - 'কদায়দগী তামো, ষণশাদি চাজদে, ঐখোয় হিন্দুগী ওইনদি ষণ অসি লাই ওইনা লাৎনরি, পূজা তৌনরি। অদুগা ষণ হাৎপা থিংবগী ৱাসু লৈরে। হন্দক য়ূমদা চৎলুবদসু মদুগী ঈরাং কন্না লৈহৌই। নিটিশ কুমারনা অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইবগী য়াম্না লাংনহৌই। তামো, ঐ নহাক্তা য়ূমদগী থোরকপনি।' - চহী ৩০ গী মথক্তা মণিপুরদা লৈরক্লবনিনা মীতৈলোন মচেৎ অমত্তা খোইদনা ঙাঙলকপনি। মহাক মণিপুরদা কুইনা লৈরক্লবনিনা লমদমসিগী হৱা নুংশিৎ ফজনা খঙই। ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা চঙশিল্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ, মদুগীদমক মীশি মীনা, অশোক অপন থোকখিবশিংগী মতাংদা মমুৎ তানা নৈনরবা অমদি বন্দ, ব্লোকেদ, কার্ফিয়ুগী চৈনা ফজনা ফংখ্রবনা বিহারী অয়াম্বদি মণিপুর থাদোক্তুনা চৎনখ্রে হায়না তম্মী। মহাক্কী মনাউনুপাদা মণিপুরদা চৎলুসি, কোয়রুসি হায়রুবদা মহাক্তা নত্তনা বিহারী অমত্তনা য়াদে হায়। মহাক্লা হায়বদুবু মণিপুরদা চৎপা হায়বসি স্বর্গগী লৈবাক্তা লৈগী দোলাই তোংলগা থৱায় পাইখৎকদবগুম খন্নে। মীতোপ কয়া অমা মমাঙথক্তা বোমগী লাংদা অমদি নোংমৈ গুলিদা চৎখ্রবনা যমগী লৈবাক্লি, য়াম্না কি চৎপা, শুংচৎ চৎচরোই হায়নরে মণিপুরদা। হৌজিক লৈহৌরিবশিংদি মতম কুইনা খুন্দারক্লবা করবারৱালা শেঞ্জাউ পায়বশিংনা অয়াম্বনি।

মহাক্লা বিহারদা লৈরিঙৈদা মণিপুরদা হন্দক হু চেনবা য়ু থক্লুবদা মী শিবা, লায়কন্নবগী পাউসু তারম্মী। মাসু মণিপুরগী য়ুঙৌ খজিক খজিক্তি পায়জবনি অদুবু মণিপুরদা য়ুঙৌ থকপসি অম্মুক্কসু হেন্না কিরে হায়। মণিপুরগী মরমদা ফজনা খঙলবনিনা মানা মখা চৎথরকই - তামো, মণিপুরদা য়ু য়োনবা, থকপা থিংনবগী থবক চখুরবসু য়ু ফংদবা, য়ুগী হোটেল হাংদবা মফম অমত্তসু লৈতে। পুলিসনা ফাই হায়রসু পৈশা লৌরগা অমুক থাদোকই। য়ুগী হোটেলসু লেপ্তুনা অদুম হাংই। লৈঙাক্তা টেক্স কাবসু নত্তে। পুলিসকী শেল তানবা নুংঙাইনবা ওইরে। তামোকো মসি বিহারদদি শুকয়া য়াদে। য়ু লোন্না য়োনবা ওইরবসু ফাববু হেক ফারবা লুপা লাক্ষ ৫ ফাইন থিগনি। অদুগা চহী ৬ জেলদা লৈগনি। ইনাক খুনবা ওইগেরা, লায়রবা ওইগেরা, অচৌবা শঙ্গ লৈবা মী ওইরবসু ফাববু হেক ফারবা থাদোকপগী ৱা শুকলৈ লৈতে। অদুনা ঐখোয়গী লমদদি লোয়না কিনবনি য়ুগী মশক উবা শুকফং ফংদ্রে। মণিপুরদা লাকপদা থকপা ফংলিবা, লম্বী লাকপদা, বেঙ্গল, আসাম ফাওরকপদা খরা খরা উবা ফংবগী ৱানি।'

তশেংনসু মণিপুরদা আইন চৎনৈ হায়রগসু মরাল লৈরবা মী ফারগা চৈরাক পীবগী চাং শাথিনা নেম্লে। মরম অদুনা লমদমসিদা থোক্লিবা ক্রাইম হন্থহনবগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী

> *মরাল শৈরবশিংবু ফাদবগী, ফারবসু মতিক চাবা চৈরাক পীদবগী, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট, এজিটেসন, ষ্ট্রাইক, বন্দ, ব্লোকেদকী হোৎনবদা ওন্থোক্লা মথৌ চিন্নবা হায়বদু ওইখৎলক্লে। নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা ঈমা, ইবেলদু থবক লেপহল্লগা ময়ূমদগী নমদুনা থোরকহল্লগা মতম মাঙনা ৱাকৎ মীফম ফমহনবগী তেকচাক কনানা পুবিগনি। অৱাবদা হেন্না অৱাবা হাপচিনবীবগী ৱানি। মরম অদুনা মণিপুরদা থোরক্লিবা মশীং খঙদ্রবা ক্রাইমশিং হন্থহনগে হায়রগদি খুদক খুদক্তা মীশক মমায় য়েংনদনা চৈরাক পীবা তারগদি শোয়দনা মায় পাক্কনি খল্লি*

হেনগৎলক্লবা মরম ওইহল্লি। শক মায় য়েংনবখক্তদা করিগুম্বা থবক অমত্তসু মওং তানা লৌখৎপা ঙম্নদ্রে। মণিপুরদা থোক্লিবা হুরান লোনা, মীহাৎ-মীপুন, ওইদ-পাদবা পূম্নমক তৌগুমসি, তৌরগুমসি, অচুম্বা লম্বীদা চৎলসি হায়নরগসু মদুবু নীয়ম নিতি কায়দনা চৎপা মীওইশিংদি খ্বাইদগী হেন্না তাঙলবদগী হেন্না তাঙবগী ফীভমদা লাক্লে। খুদম ওইনা হায়রবদা খ্বাইদগী হেন্না ক্রাইম চথবা, খুন্নাইদা অকায়বা তৌগনবা কাঙবুসি কনানো থিগৎলুবা নৎত্রগা ফারুবা মতমদা অচৌ অশাং ফমজাউ পায়বশিংগী মচা মশু, মরী মতা ঙাক্তা হেক্তা ওইরম্মী। ইচা ওইসনু, ইমুংগী মীসু ওইসনু মরালগী মতুং ইন্না চপ চাবা চৈরাক পীবা তারগদি মণিপুরদা থোক্লিবা য়েংহৈ তাহৈদ্রবা ক্রাইমশিংগী মশীং হন্থরক্কনি খল্লি। চৈরাক পীবা হায়বসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা চৎনদুনা লাক্লি। আইন থুগায়বগীদমক ফাইন থিবা নৎত্রগা জেলদা থম্বা হায়বসিদা মখল য়াম্না লৈখ্রে। অরিবা পুৱারীগী মতমদা মরাল লৈরবা অমবু চৈরাক পীবা হায়বসি ৱেষ্টর্ন সোসাইটিগী মতুংইন্নদি সমুদ্রদা, জহাজগী অরোইবা ঈশিং তাইনফমদা থৌরিনা পুল্লগা চিংবগী চৎনবী লৈরমখি। স্কুল কাবা মহৈরোয় ওইরগনা মরালগী মতুং ইন্না লীচৈনা কনবগী চৎনবী লৈরম্মী। হৌজিকসু লৈরি। মসিগী মখা তারকপদা কষ্টমরী লোগী মতুং ইন্না মফম মফমগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবগী চৎনবী কয়া লৈখ্রে। অসিদসু নত্তনা এক্সিদেন্ট তৌবগী তোঙান তোঙানবা চৎনবী মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎনরি। মরালগী মতুং ইন্না চিনা নৎত্রগা ভিএটনামদদি থোক থোক কাপথোক্লগা হাৎতোকই। ইরান নৎত্রগা সিঙ্গাপোর, করিগুম্বদা ইন্দিয়াদসু ওইসনু থৌরি য়াদুনা লোইশিল্লি। অদুগা সাউদি অরাবিয়াদনা করম তৌবা খল্লুবদা কিনিংঙাইনি - মঙক্তু থবৎ ককথৎলগা হাৎতোকই। অমুকসু অমেরিকাদা চৎনবা মীহাৎসিদি মী ৱাহন্দনা য়াম্না নুংঙাইনা শিহনবা জাৎনি। ইলেক্ট্রিক্কী চৌক্রিদা শোক তৌবা খংপ্রেক খংপ্রেক খংহল্লগা নৎত্রগা নোক্লা নোক্লা, ৱানা, লাউ খোঙলগা শিহনবা নৎত্রগা মীহাৎ হীদাক অমা কাপশিল্লগা শিহনবগী চৎনবী লৈরি।

অদুবু ফনা হায়বা শাবনি। মরালগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক পীরকপদা থোক হেক হাৎতোকপা হায়বসি হৌজিক্তি মালেমগী ওইনা লৈরিবা লৈবাক ১৯৪ রোমগী মনুংদা তঙ্খায় অমা হেন্নদি মুথৎখ্রে। খুদম ওইনা য়াম্না শাথিনা মরাল লৈরবা মীওই অমা থোক হেক্তা হাৎতোকপগী চৎনবীদু মালেমগী লৈবাক ৮৬ তদি মুথৎখ্রে। অদুগী মহুত্তা মীয়াৎ তাবা, জেলদা থবক শুহনবনচিংবগী তোঙান তোঙানবা মখলগী চৈরাক পীবগী চৎনবী শেমদোরক্লি। অদুবু পীকখ্রবা মণিপুর কৌবা লমদম অসিদনা মরালনা মপোৎ ফারবা মীওই কয়া মানা মানা তৌজরুবা মরালগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীদবদগী ক্রাইম থোরক্লবগী মচাক হেন্না হেন্না ওইহল্লক্লে হায়বসিমদি ককপা য়াদ্রবা ৱাফম ওইরি।

মরম অদুনা লমদমসিদা লৈকায়, ক্লব, সিভিল ওর্গেনাইজেসন নৎত্রগা মৈরা পায়বীবু ওইরো ওন্থোক্লা মথৌ চিলহনবগী মচাক অমা ওইহল্লি। নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা মণিপুরগী ইমা, ইবেল, ইচে, ইচল অমদি লৈবাক কন্নবা থোরকপা নহা পূম্নমক্তা মতম ওন্থোক্লা মাঙহনবা হায়বদু ওইরবনি। মরাল লৈরবশিংবু ফাদবগী, ফারবসু মতিক চাবা চৈরাক পীদবগী, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট, এজিটেসন, ষ্ট্রাইক, বন্দ, ব্লোকেদকী হোৎনবদা ওন্থোক্লা মথৌ চিন্নবা হায়বদু ওইখৎলক্লে। নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা ইমা, ইবেলদু থবক লেপহল্লগা ময়ূমদগী নমদুনা থোরকহল্লগা মতম মাঙনা ৱাকৎ মীফম ফমহনবগী তেকচাক কনানা পুবিগনি। অৱাবদা হেন্না অৱাবা হাপচিনবীবগী ৱানি। মরম অদুনা মণিপুরদা থোরক্লিবা মশীং খঙদ্রবা ক্রাইমশিং হন্থহনগে হায়রগদি খুদক খুদক্তা মীশক মমায় য়েংনদনা চৈরাক পীবা তারগদি শোয়দনা মায় পাক্কনি খল্লি। বিহারগী মতৌগুম্না লুপা লাক্ষ ৫ অদুগা চহী ৬ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীরদবু মণিপুরদা য়ু য়োল্লক্কদ্রো? খন্নবা য়াবা ৱাফমনি।

# লৈঙাক্কী স্কুলদা মীৎয়েং - ৩

**খঙদোকমিন্নসি অমুক্তা ঃ ৪০৪**

**হাওবম প্রিয়োকুমার**

**স্কুল** অমা লৈবদা, লিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইরক্লিবসি ওজানি। স্কুল লৈরিবা মফমদু পূম্নমক্তগী মফম চাবা ওইহল্লসি, স্কুল অমগী লৈফম থোক্লবা মতমগা চান্নরবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু চপ চানা শুনা লৈহল্লসি। স্কুল অমা ওইবদা অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রবা স্কুলসু ওইসনু, স্কুলদুগী ওজাশিংনবু মতিক চাদ্রবদি ত্বেন্টি ফার্ষ্ট সেঞ্চুরিগী অদুক পাক চাওখ্রবা ফজখ্রবা স্কুলদুগী মমিং কনানসু খঙনরোই। ইন্দক্টসন হিটরগী মথক্তা গ্রেনাইটকী নন-ষ্টিক প্যানদুদা থাউ থন্না হৈরগা বোরা হৌবা হৈতবা মীদুনা হৌবা বোরাদু মহাও লৈবা অহাওবা বোরা খক ওইরোই। অদুবু মৈফু অমদা মৈতালগী মথক্তা খাং চিদেকপী অমদা বোরা হৌবা অহৈবা মীদুনা হৌবা বোরাদি মতম লৈবা খিবিক্তা অহাওবা বোরা ওইগনি, ওইরিবনি।

অদুনা স্কুলগী বিল্ডিং মতিক চাবা চাদবা, ফক্লাং অহোবা ওইগেরা, থোংনাউ অহোবা ওইগেরা তন্বীগদবা ওজাদুনবু ওজা অমা ওইবগী গুণ চপ চানা চেল্লবা, মতিকপু চারবদি করিগী অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙল্লোই? স্কুলগী বিল্ডিং মতিক চাদ্রবসু য়াই হায়বগী ৱাফম নত্তে, ওজাগী মরু ওইবদুবু পঞ্জবনি। লৈঙাক স্কুলগী ওজাশিংনা - ''অঙাং অফবমখৈদি লন্নাই স্কুলশিংদা তমখ্রগা খন্দোকখাকশিংদুনা লৈঙাক্কী স্কুলদা, অদুদবু করম্না অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো?'' হায়না হেক হেক হায়রি। অফবা অঙাংদবু শেমগৎকে হায়বা, ফত্তবা অঙাংবুদি শেমগৎলোই হায়বা ৱাখল্লোনসিমদি অরানবা ওইরোইদ্রা? মসিদি মখোয়বু কঞ্জনবা পংহায় হায়জিনবা ওইগদ্রা খল্লি। খনগৎলবা অফবা মরুনি হায়দুনা থানবগী য়োল্লিবা অতাঙবা মঙ্গল মরু পেকেটতুগী মরুদনা অফবা নৎত্রি। মমল অহোংবা মঙ্গল মরুগী পেকেটতসু অচঙবা মরু অদুমক য়াওদবা নত্তে। অদুনা খনে দাকখাক্লি হায়রিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা আই এ এস, আই পি এস, এঞ্জিনিয়র, ডোক্তরনচিংবা ওইগদবা কয়া-কয়া য়াওরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। তৌবতবু নীংথিনা মখোঙ শোন্বীবা অমদি মথৌ তারি। মতাংসিদা লৈঙাক্কী স্কুল ওজানা চেনবদি, খঙশিন্নদবদি য়ারোই। অফবা অঙাংদি অদুম্মক ফদুনা লৈরগদবনি, হেন্না অকনবা মিৎয়েং থমদুনা শেমগৎকদবদি ফত্তবা অঙাংশিংবুনি, অফববু মীরাইসি হায়বদি নত্তে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা লৈবা গার্লস হায় স্কুল অমবু মোদেল স্কুল ওল্লবা মতুং অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৩ গী হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামদা মহৈরোয় ৩১ থাগৎপগী মনুংদা মহৈরোয় ৩০ ফার্ষ্ট দিভিজন্দা লাকহনবা ঙমখি, অমনা কম্পামেন্টরিদা লাকখি। অসিগুম্বসি লন্নাইগী স্কুলদা পাক-পাক থোকপা নত্তে। চম্না লৌবসু খক য়ারোই। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টগী চাউনা মায় পাকপা হায়বদুমক্লি। নুংশিৎ তাদুনা লৈরম্লবা স্কুল অমবু মেজিক্কী মতৌগুম খুদক্তা খঙহোং হোংহল্লকপা হায়বসিসু অরাইবদি ওইরল্লোই। থিগৎলুবদদি, স্কুল মফম হোংলমদে, হান্না হান্নগী স্কুলদুমক্লি। হোংলম্বা অমতংদি লৈরম্মী মশাগী হান্নগী ওজা অমত্তসু লৈরমদ্রে। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অফ-অফবা ওজাশিং অমা অমদগী খনগৎলগা হায়রিবা মোদেল স্কুলসিদা পুল্লপ পুশিল্লক্লগা মোদেল স্কুল ওন্থোকপা ওইরম্লে। মশাগী হান্নগী ওজাশিংদু শুম চারবা উগুল্লবনি হায়বসি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা চপ চানা খঙই অদুনা মখোয়বু লৌথোকখিবা ওইগনি। লৌথোকখিবা ওজাশিং ময়ূম-ময়ূমদা লৈহনবা নৎত্রি। অতোপ-অতোপ্পা স্কুলদা নৌনা থাজিনখ্রিবনি। অদু ওইরবদি মখোয়না তাকপী-তম্বীরিবা মহৈরোয়শিংদু করি ওইবা তাই? অসিগুম্বা মখলগী ওজাসু মশীং লাকঙমদনা লৈরি হায়বসিসু এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা খঙলিবনি। অদুনা ৱাখল অমরোমদা, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা খঙনা খঙনা লান্না লমজিংদুনা মহৈরোয় কয়া মাঙহল্লে হায়বদা লাল্লোইদ্রা খল্লি। হৌজিক লৈঙাক স্কুলগী অয়াম্বা ওজাদি অসিগুম্বা মখলগী ওজানি হায়বা য়ারবনি। মীয়াম্না - 'লৈঙাক স্কুলদা ওজা ওইবদা মতিক চাবা অমদি ওজাগী গুণ চেনবদি চান্মদা কুন ফারল্লোই' হায়না হায়নরি। অসুক য়ামখ্রবা ময়ামদুবু ওজা ওইহনগনি হায়দুনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা লৌশিনবীরুরিবসি করি তৌহন্নবনো? এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মখোয়বু ওজা ওইবদা মতিক চাদে হায়বসি খঙদে হায়বদি লানগনি। মদুমক্কা মোদেল স্কুল ওল্লকপদা অসিগুম্বা অহাম্বা ওজামখৈ পুথোক্লিবনি। কুইখিদ্রি চয়োল অমা/অনীগী মমাঙদা মেত্রিক পাস তৌদ্রিবা মীওই ৭৬ লৈঙাক স্কুলগী ওজা ওইহল্লম্লে হায়না মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মখোয়খক্তা ওইরোই, মদাও য়াদবা মখোয় খরা থেংনরুবগী ৱানি অতৈ ময়াম অমসু লৈরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। সিদা নত্তনা আর আর টস তৌদবা ময়াম অমসু লৈরমগনি হায়না লৌই। মমিং মথা অমদি লৈঙাক্কী স্কুলদগী মমিংদুদি পঞ্জদ্রে, স্কুলদুদা নৌনা চঙলকপা সাইন্সকী ওজা অমনা মাদি মণিপুরী সবজেক্ট ওইনা তাকচগে হায়না হায়রকপদা মদুমক্তি ওইথোকপা য়াদবনিনা, 'অদু ওইরবদি অতোপ্পা স্কুল অমদা ত্রান্সফর তৌহন্নবা হোৎনরুবা তারে' হায়বগী নুংঙাইখ্রবা থৌদোক অমসু লৈখি।

লৈকায় লৈকায়না, য়ূমথংনবশিংনা মখোয়বু মতৌ করম্না ওজা ওইখিবনো অমদি ওজা ওইবদা মতিক চায় চাদে, করম্বা মীশক্লো অসিনচিংবা শিৎ-নান্না খঙনবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা হাফ বোইলগী লৈঙাক্কী স্কুল ওজানা পাক শন্না লৈখ্রবদা করম্বা মমা মপানা লৈঙাক্কী স্কুলদা মচা-মশুশিংবু মহৈ তমহন্নীংগদৌরিবনো? মসি চহী কয়াগী মমাঙদগী নাদুনা লাল্লবা লায়নানি। মথক্কী খরখকসিবু য়েংলুরগা লৈঙাক্কী স্কুলদা মহৈরোয়গী মশীং ৱাৎলকখিবগী মচাক অমসু ওইখিব্রা খল্লি।

হায়রিবা পূম্নমক মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্না কূপ্না খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুনা হৌজিকপু খঙনা খঙনা মখোয়না তুংগী য়ূম্বী ওইহৌগদবা অঙাংশিংবু অদুমক তাকপী তমহনবীবা তারিব্রা? অসিগুম্বা মখলগী অঙাংশিংগী থা-থাগী তোলোপতা চাউরবা শেনফম চৎলি, মাঙহল্লি। মসিদি থোয়নদুম প্রোব্লেম ওইদ্রি, লৈঙাক্লসু ঙম্না-ঙম্নবা হোৎনরি, মেনখৎলি। অদুবু চহী চহীগী মখোয়না মাঙহল্লিবা মহৈরোয়শিং অসিদি কনানা করম্না মেনখৎপীগদৌরি? হীরমসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্না তিন য়োখবীরগা অশানবা মিৎয়েং অমগী মখাদা কূপ্না খন্থহন্নীংই। লৈঙাক্কী স্কুল চাওখৎনবা অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু শুনা লৈহনসি, স্কুল অমা ওইবগী চপ চাবা মশকসু লৈহনসি। তৌবতবু অহানবদা ওজাদা অকনবা মিৎয়েং থমহন্নীংই।

ৱাখল অমরোমদা - এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টদা চহী চহীগী য়াল্ল-য়াল্লবা শেনফম থাদরি। শিল্লি-লাংলিবা পূম্বা অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবগীদমকনি। অদুবু শাংলবা চহী কয়াসিদা অফবা মহৈরোয়দি পুথোকপসু ঙমদ্রি, ফগৎলকপগী মমি তাবসু উদ্রি। য়াল্লবা মীয়ামগী লন মাঙহদুনতা লাক্লি। মীয়াম্না পাল্লিবদি লৈঙাক্কী স্কুলদগী ওইগেরা লন্নাইগী স্কুলদগীবু ওইগেরা অফবা মহৈরোয় পুথোকপদুনি। অদুবু অফবা মহৈরোয়দি লন্নাইগী স্কুলতনা পুথোক্লি, লৈঙাক স্কুলগী মায়কৈদগীদি পুথোকপা ইঙম ঙমদ্রি। অদুনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টগী থবক-থৌরম পূম্বা প্রাইভেটাইজেসন তৌথোকখিবদা এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা অফবা মায়কৈদা হেন্না খুমাঙ চাউশিল্লোয়দ্রা? লোয়ননা মীয়ামগী য়াল্লবা শেনফম অমসু কনবা ঙমগনি।